# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 01-02-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) কাংপোকপী জিলাদা লম একর ৪৫ রোমদা থারম্বা পোপি পাম্বীশিং সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়াম্থৎতুনা মাংহনখিবদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

২) সোসিয়েল ৱেলফ্যার মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গোনা হায়রি- তংদু লৈতাবা, হেন্না চাওখৎপা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা ঐখোয়গী লুচিংবা মপাঙ্গল কনখৎহনবা তঙাইফদে।

অমসুং

৩) ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা মনিপুরনা সনাগী তকমান ৯ য়াওনা পুন্না তকমান ২০ ফংদুনা মেদল টেল্লিগী খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি।

**------**

সিএম (এল)ঃ কাংপোকপী জিলাদা লম একর ৪৫ রোমদা থারম্বা পোপি পাম্বীশিং সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়াম্থৎতুনা মাংহনখিবদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

সোসিসেল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- কাংপোকগী দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, সি.আর.পি.এফ অমসুং একজিক্যুতিভ মেজিষ্ট্রেট য়াওবা অপুনবা কাংবু অমনা ঙরাং সাইকুল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লুংজাং ভিলেজকী চীংশাংদা থারম্বা পোপি পাম্বীশিং অদু য়াম্থৎতুনা মাংহনখিবনি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা এফ.আই.আর অমা লৌখৎলে। খোঙথাং অসি আইন কায়না ড্রগ লল্লোনবা কাংবুশিংদা পীবা অচৌবা চৈথেং অমনি। ৱার ওন

ড্রগসকী খোঙজং অসি মপুং ফাবা পান্দম ফংদ্রিফাওবা লেপ্লা লৈতনা চথখিগনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোকখি।

অমরোমদা, নোনে দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং নোনে অমদি তমেংলোংগী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংগী অপুনবা কাংবু অমনা ঙরাং নোনে পুলিস ষ্টেসনদগী অৱাংদা কিলোমিতর ১৮ লোম চৎলগা লৈবা নুরাথেল ভিলেজগী চীংশাংদা থারম্বা পোপি পান্বীশিং য়ান্থৎতুনা মাংহনখ্রে। পোপি পান্বীশিং অদু চাউরাকা লম একর ৪ হেনবদা থারম্বনি হায়রি।

ক্রোপ (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- ইকোনোমিক রিভাইবেল মিসনগী মখাদা থা অনিগী মমাংদা য়েন্থোকখিবা নিংথম মরু মরাংশিং ফক্ং, ককময়াই, ৱাংঙু অমসুং কুম্বিনচিংবা মফমশিংদা নিংথিনা থাদুনা হৌরে। মফম খরদদি পান্বীশিং অসিগী মহয় লোকপা য়াবা ফিভমদা লৈরে। মসিদা থৱায় য়াওনা হোৎনরিবা লৌমীশিংগী থৌনা লিংজেল অদু থাগৎনিঙাইনি। মখা তানা মিসন অসিগী মখাদা মরু মরাংশিং য়েন্থোকপা অমসুং ত্রেনিং পীবনচিংবা থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা লৌমীশিংগী শেন্থোক হেনগৎহন্নবা কন্না হোৎনরি।

ভাসুম (এল)ঃ নেসনেল রোড সেফতি মন্থকা মরী লৈননা লমজেল অমা হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাংদা ইম্ফালগী সিতি কনভেন্সন সেন্তরদগী লমথাখ্রে। লমজেল অসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী মৈত্রম লমখায় ফাওবা চেল্লুরবা মতুংদা অমুক হল্লক্তুনা সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা লমথুংফম ওইগনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ত্রান্সপোর্ট মন্ত্রি খাসিম ভাসুমনা হায়- মীয়ামদা লম্বী চৎপগী নিয়মশিং নিংথিনা খঙহন্নবগী পান্দমদা লমজেল অসি পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা ৱার্ক্স মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজম অমসুং ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি অৱাংবৌ নিউমাই শরুক য়াখি।

দিঙ্গো (এল)ঃ সোসিয়েল ৱেলফ্যার মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গোনা হায়রি- তংদু লৈতাবা, হেন্না চাওখৎপা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা ঐখোয়গী লুচিংবা

মপাঙ্গল কনখৎহনবা তঙাইফদে।

সেকমাই অমসুং কংলাতোংবীদা নৌনা শাবা ইমা কৈথেলশিং ঙরাং মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না শঙ্গাবা অমসুং সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী ক্বাটরশিং শানবগী উরেক উয়ুং তম্বগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী দিঙ্গোনা হায়- হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা সেকমাই কেন্দ্র অসি অৱাবা কয়া মায়োকবা কেন্দ্র অমা ওইরি। অদুমওইনমক, মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগী লমজিং মখাদা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলক্লি। মসিগী ময়েক লারবা খুদমদি সেকমাই কেন্দ্রগী সেকমাই বজার অমসুং কংলাতোংবীদা ইমা কৈথেল অমমম শাদুনা শঙ্গারিবা অসিনি। মসিগী মথক্তা লুপা কোতি ৬ লাখ ৭০ রোম চংনা মতমগা চুনরবা ফুটবোল গ্রাউন্দ অমা শেমগৎনবা হোৎনরি।

গেমস (এল)ঃ উত্তরাখন্দনা যুম্ম ওইদুনা হৌজিক চথরিবা ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা মনিপুরনা সনাগী তকমান ৯ অমসুং লুপাগী তকমান ৭ অমদি শেঞ্জেংগী তকমান ৪ পুন্না তকমান ২০ ফংদুনা মেদল টেল্লিগী খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি।

গেমস অসিদা মণিপুর টিমগী চিফ দি মিসন ওইরিবা মোইরাংথেম রাচন্দ্রনা হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাংদা অকাশবানি ইম্ফালদা অসুমা ফোংদোক্লি।

স্পোর্টস (এল)ঃ কেরলাগী ত্রিসুরদা ঙরাংদগী হৌখিবা ৬ শুবা নেসনেল মাষ্টরস এথলেটিক চেম্পিয়নসিপকী অহৌবা নুমিৎতা মণিপুরনা তোঙান তোঙানবা তকমান কয়া লৌবা ঙমখ্রে।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ২০৪৭ ফাওবদা বিক্সিত ভারতকী পান্দম অদু ফংবা ঙমবা সংসদকী বজেৎ মীফম অসিনা অনৌবা শক্তিগা লোয়ননা অচেৎপা থাজবা থল্লি।

সংসদকী বজেৎ মীফম হৌদ্রিঙৈদা ঙরাং পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়- ২০৪৭ তা ভারতনা নীংখা তম্বা চহি ১০০ মপুং ফারকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা বিক্সিত ভারত অমা ওইনবা থল্লিবা পান্দম অদুসু মপুং

ফানা ফংবা ঙমগনি। মহাকা হায়- মীয়ামা মহাক্কী সরকারদা অহুল্লক শুবা টার্মগী ওইনা সাসন তৌনবা দাইত্ব শিন্নরক্লে অমসুং হন্দক্কী বজেৎ অসিনা হন্দক্কী টার্ম অসিগী ইহান হানবা মপুংফাবা বজেৎ অমা ওইগনি। ভারতনা গনতন্ত্র চৎপা লৈবাক অমা ওইরকপা চহি ৭৫ মপুং ফারকপা অমসুং মালেমগী ফম্বাক্তা মসিগী ফমফম থম্বা ঙল্লকপা অসিমক চাউথোকচনিঙাইগী মশকি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- নারি শক্তিগী চাউথোকচবদু অমুক হন্না ফংহনবা জাৎ কাংলুপ খায়দনা নুপী খুদিংমকা ইকায় খুমনিঙাই ওইরবা পুন্সি অমা ফংহনবা অমদি চপ মান্নবা হক ফংহনবনচিংবা মরুওইবা ৱারেপ কয়া মীফম অসিদা লৌগনি।

উপ-রাষ্ট্রপতি ঃ  উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখরনা হায়রি- লৈবাক অসিনা অহানবা ওইনা লোক সভা অমসুং রাজ্য বিধান সভাশিংদা নুপীগীদমক শরুক অহুম থোকপগী অমা রিজার্ভেসন থমবা সংবিধানগী ওইবা অয়াবা পীরে। মহাকা হায়- নুপীশিংনা লম খুদিংমক্তা শরুক য়াবগা লোয়ননা দিফেন্স ফোর্সশিংদসু চপ চাবা মফম ফংবা ঙমলে।

নেসনেল কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী নিউ দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকখিবা ফাউন্দেসন ডেগী থৌরমদা উপ-রাষ্ট্রপতিনা হায়- নুপীশিংনা চাওখৎপগী মহাউ ফংবা ঙমলে অমসুং লৈবাক অসিগী নুপীশিং অসি হৌজিক্তি খ্বাইদগী পুকিং থৌগৎনিঙাই মশক ওইরবশিং ওইরক্লি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

পোকফমদা- মীয়ামা হৌজিক ৱারিবশিগী মপালনা মণিপুর ফগদৌরিবনি, ফবা হৌরবনি হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুর ইদিসনদা- খালিষ্টানি তেরোরিষ্টশিংনা মণিপুরগী খৃষ্টানশিংবু তোখায় তানবা ইনশিল্লি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি অদুগা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- ঙমখৈ পরিংগী লানঃ বোর্দর পিল্লির ৮৫ অমসুং ৮৬ নকবা মফমশিংদা মখা তানা অকনবা লানফম ওইখ্রে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক্তা- য়ু থকচিল্লগা গাড়ি থৌরকপা মীওইশিং লুপা লিশিং ১০ গী ফাইন থিহনগনি হায়না মণিপুর ত্রাফিক কন্ত্রোল ৱিংগী এস.পি. প্রমেশ অরাম্বমনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরে।

মণিপুর নিউজদা- সরকার অসিনা ইরাং মায়োকরবসু চাওখৎ থৌরাংগী থবক লেপ্তে, ইং ১৯৬১ গী মতুংদা ষ্টেটসিদা চংলকপা মীতোপশিং খক্তে দাক্কনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- চহি অনি ফারক্কদৌরিবা মণিপুর ইরাং অনৌবা মায়ওন অমদা লাক্লি, মণিপুরদগী তোখায় তানবা ইরাং হৌরিবসি শিখ ফোর জষ্টিসনা ইনশিনবনি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পি.এল.এগী অথৌবা হেন্থোইগী মঙানি লৈহুন পাঙথোকখ্রে, মীয়ামা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমখ্রে হায়বা পাউ অমসুং পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরি।

নহরারোলগী থৌদাংদা- চীফ সেক্রেতরি প্রসান্টকুমারগী কাংপোকপীদা চত্তুনা সি.এস.ও লুচিংবশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরি।

সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- তাং ৪ দগী সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরদা লেফটনেন্ট কর্নেল রোবার্ট মেমোরিরিয়েল ওপন ফুটবোল তুরনামেন্ট হৌদোক্লগনি হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- নোনে অমদি তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট পুলিস টিমনা লচিংদুনা নরাথেল খুঙ্গংদা একর ৪.৪৯ দা পোপি মাং তাকহনখিবগী পাউনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। তমেংলোং টাইমসতা- দিমাপুরগী হেব্রোনদা লৈবা এন.এস.সি.এন (আই.এম) কেম্পতা রেজিং ডে পাঙথোকখিবগী পাউনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------